

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, MAY 22, 2016 PAGE 7




বোর্দ ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) প্রসিদেন্টকী ফমগীদমক খ্বাইদগী নহা ওইনা থৌ পুরগনি হায়না শেম-শারিবা অনুরাগ ঠাকুর

ইটালিদা পাংথোকপা জিরো দি ইটালিয়া সাইক্লিং লমজেলদা বৃটিস টিমগী মাইকৈদগী শরুক য়াদুনা ১৩ শুবা তাঙ্কক্কী মকো ওইখ্রবা মিকেল নিভে

# ৬ শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব-জুনিয়র এ অমদি বি দিভিজন চেম্পিয়নসিপ

## মণিপুর হোক্কি অহানবা ওইনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে হোক্কি গাংপুর উরিষাগা ফাইনেল শান্নরগনি







**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ২১ ঃ** মণিপুর হোক্কিনা মমাংগী এ দিভিজনগী সব-জুনিয়র হোক্কি ইন্দিয়া মেন নেসনেল চেম্পিয়নসিপকী ৫ শুবা পোজিসন তাখিবা হোক্কি ঝারখন্দ গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীরগা দিভিজন অসিগী অহানবা ওইনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবগা লোয়নননা অনৌবা ইতিহাস অমা শেম্না ঙমখ্রে।

ফাইনেলদা মণিপুর হোক্কি না হয়েং হোক্কি গাংপুর উরিষাগা শান্নরগনি।

হোক্কি ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর হোক্কিনা শিন্দুনা হৌখিবা থা অসিগী ১৪ দগী ২২ ফাওবা চখরকখিবা ৬ শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব-জুনিয়র নেসনেল চেম্পিয়নসিপ ২০১৬ এ দিভিজনগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা মণিপুর হোক্কিনা হোক্কি ঝারখন্দ গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীরগা চেম্পিয়নসিপ অসিগী অহানবা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

হৌখিবা মমাংগী চেম্পিয়নসিপক্কী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্সনা ক্বাটর ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখিবা অদুনা ওইখিবনি।

মণিপুর হোক্কি অমদি হোক্কি ঝারখন্দনা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতদি টিম অনীমক্না য়াম্না মান্ননা শান্নদুনা ১-১ দা লৈন্ননখি। অনীশুবা হাল্ফকী শরুক্তা মণিপুর হোক্কিনা হেন্না কন্না শান্নখি।

হাল্ফ অদুদা মণিপুর হোক্কিনা মখা তানা গোল ৩ চনশিন্দুনা পুন্না গোল ৪-১ দা মায় পাক্তুনা অহানবা সব-জুনিয়র মেন নেসনেল চেম্পিয়নসিপ এ দিভিজনগী ওইনা অহানবা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

হোক্কি ঝারখন্দগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা অহানবা হাল্ফকী ২০ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অদুদা মণিপুর হোক্কিনা পেনালটি কোন্নর কয়া ফঙলবসু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

মমাংগী য়াম্না মরুওইবা মেটচ অমা ওইনা পুল এ গী শান্নখিবা মেটচতা মণিপুর হোক্কি অমদি উত্তর প্রদেসকা শান্নখিবা মেটচতসু মণিপুর হোক্কিনা পেনালটি কোন্নর কয়া লৌবা ঙম্লবসু গোল অমত্তা ওন্থোকপা ঙমখিদবগী মতাংদা মণিপুর হোক্কি টিমগী কোচ ওইরিবা কে ঐচ উমাশঙ্কর সিংহ না সেমি ফাইনেলগী মেটচতা পেনালটি কোন্নরদা গোল ওন্থোকপা ঙম্নবা অনৌবা টেক্নিক শীজিন্নদুনা শান্নগনি হায়বা ফোংদোকখ্রবসু ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা থোইদোক্না অহোংবদি উবা ফঙখিদে।

মেটচ অদু লোইরবা মতুংদা কোচনা ফোংদোকখিবদা ঙসি মেটচ অসিদা পেনালটি কোন্নরদা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদবগী অচৌবা মরমদি নোং চুবনা মরম ওইরগা শান্নরোইশিংনা পেনালটি কোন্নরগী ইল্লকপা বোলশিং য়াম্না তপখিবা অমদি পেনালটি কোন্নরদা ইল্লকন্দবা শান্নরোইশিং কার্দ চাখিবনা মরম ওইরগা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদবনি হায়না ফোংদোকখি।

মণিপুর হোক্কিগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিং অদুদি ধানরাজ সিংহ হেমাম গোল কিপর প্রিয়োবতা আর তেলেম, দিনচন্দ্র মোইরাংথেম, দোল্লর খেত্রিময়ুম, অমুজাও মৈতৈ, সোরেংশবম, হবুংঙো সিংহ কোনজেংবম, রাবিচন্দ্র এস মোইরাংথেম, জেনজেল সিংহ নিংঙোমবম, রোবিন্সন ৱাংখেম, বোনি সিংহ থোকচোম, কেপ্টেন থোংঙম্বা হুইদোম, মহেসকান্তা শর্ম্ম খেত্রিময়ুম , কিংসন সিংহ থোকচোম, গোল কিপর অমারজিৎ ফাইরেমবম ,স্টেলিন সিংহ ইরেংবম, দিংকু শর্ম্ম গুরুময়ুম অমদি সুরেনশঙবম্নি।

টিম অসিগী কোচ অমদি মেনেজরনা কে এস ঐচ উমাশঙ্কর অমদি এন নন্দকিশ্বর সিংহ না ওইরি।

অনীশুবা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা হোক্কি গাংপুর উরিষানা হোক্কি ছান্দিগর গোল ২-১ দা মায়থিবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি।

হোক্কি গাংপুর উরিষাগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু অমন্দিপ লাক্র অমদি মনিপ করকেতানা ৪৮ অমদি ৫৬ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

হোক্কি চান্দিগরগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা সঞ্জয়না ৭০ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

সেমি ফাইনেল মেটচতা মায়থিখ্রবা হোক্কি ঝরখন্দ অমদি হোক্কি চান্দিগরনা অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচ শান্নগনি।

মণিপুর হোক্কিনা কমদৌনা ফাইনেল চঙলকখিবনো ঃ পুল এ দা লৈরিবা মণিপুর হোক্কিনা অহানবা লিগ মেটচতা হোক্কি পাতিয়লা গোল ৮-২ দা মায়থিবা পীখি। অনীশুবা মেটচতা হোক্কি উরিষাগা গোল ৩-৩ দা দ্রো ওইরগা অমদি অরোইবা লিগ মেটচতা উত্তর প্রদেস হোক্কি গোল ৪-৩ দা মায়থিবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙলক্লবা মতুংদা সেমি ফাইনেলদা হোক্কি ঝরখন্দ গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীরগা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

# প্রিয়োবত্তা সিংহ খল্লক্লে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ২১ ঃ** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শীন্দুনা চখরিবা সেকেন্দ দিভিজন লিগ ২০১৫-১৬ গী থা অসিগী ২৯ দা গৌৱাদা শান্নগদৌরিবা ৬৯ শুবা মেটচ কন্দক তৌননবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না মণিপুরগী রেফরি এল প্রিয়োবত্তা সিংহ খল্লক্লে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী রজিৎ রোইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

প্রিয়োবত্তা সিংহ না মেটচ শান্নগদবা গৌৱাদা মতম চানা রিপোর্ট তৌরবনসু খঙহল্লক্লি।


# বোল্টনা ওস্ট্রাবা কম্পিটিসনদা গোল্ড লৌখ্রে

**ওস্ট্রাবা, মে ২১ ঃ** জেক রিপব্লিক্কী সহর ওস্ট্রাবদা চহি খুদিংগী পাংথোকপা গোল্ডন স্পাইক কম্পিটিসনদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন জমেকাগী উসেন বোল্টনা গোল্ড লৌখ্রে।

চহি অসিগী ওগস্ট থাদা হৌগদৌরিবা রিও ওলিম্পিক গেমসকী শেম-শাবা ওইনা শরুক য়াখিবনি।

বোল্টনা মিটর ১০০ গী লমজেল অদু সেকেন্দ ৯.৯৮ তা চেন্দুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

মহাক্না বরবেদোস রামোন গিতেন্সদগী সেকেন্দ ০.২৩ হেন্না য়াংনা চেনখিবনি।





নিংশিবা য়াবদি উসেন বোল্টনা মিটর ১০০ অমসুং ২০০ গী ৱার্ল্ড রেকোদ থম্বতা নত্তনা ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়নসু ওইরিবনি।

মহাক্না ২০১২ গী লন্দন ওলিম্পিক গেমসতা মিটর ১০০, ২০০ অমসুং ৪X১০০ গী গোল্ড মেদল ফঙদুনা হন্দকসু ফঙনবা হোৎনগদৌরি।

# মোহন বগান্না আইজোল এফ সি ৫-০ থোইদুনা ফেদরেসন কপ ১৪ শুবা তাইতল লৌখ্রে

**গুৱাহাটি, মে ২১ ঃ** ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ফুটবোল ক্লব মোহন বগান্না মীজোরামগী ফুটবোল ক্লব আইজোল এফ সি বু পাঞ্জল ৫-০ দা মায়থিবা পীদুনা ফেদরেসন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী তাইতল লৌবগা লোয়নননা ১৪ শুবা ক্লব অসিগী তাইতল ওইখ্রে।

ঙসি গুৱাহাটি দা লৈবা ইন্দিরা গান্ধি এঠলেটিক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদু টিম অনীমক্না হৌরকপদা মায় পাক্লবগী অচৌবা ৱাখল্লোন অমগা লোয়নননা শান্নখি।

টিম অনী অসি চহি অসিদা তোঙান তোঙানবা ফলগা লোয়নননা লাকখিবনি। মোহন বগান আই লিগতা বেঙ্গালুরু এফ সি গী মখুৎতা মায়থিদুনা অনীশুবা তাখিবনি। অমরোমদা আইজোল এফ সি আই লিগ অদুদা মমৈদা লৈবদগী রেলিগেট তৌদুনা মথংগী সিজনদা শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরিবনি।

মোহন বগান্নগী টিমদা মণিপুরদগী হৌখিবা ধনচন্দ্র সিংহ শরুক য়াখি। মেটচকী অহানবা হাল্ফ টিম অনীমক্না অমনা অমাগী মাইকৈদা এটেক্ট চাথদুনা ফাইনেল অদুগী অহানবা পাঞ্জল থিবা হৌরকখি।



হাল্ফ অদু লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মিনিট ৩ চঙশিল্লকপদা মোহন বগান্নগী সোনি নোর্দেনা মহাক্কী টিম মেক জে জে না পীরকপা বোল অমদা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

শান্নবগী ৬১ শুবা মিনিটতা মণিপুরদগী হৌখিবা ধনচন্দ্রনা টিম মেট কটসুমিনা কাওরকপা কোন্নর অমগী বোল হেদ তৌশিন্দুনা মেটচ অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

পাঞ্জল অনী হেল্লবা মোহন বগান মখা তাবা এটেক্ট চখরকখি। মদুদা আইজোল এফ সি গী শান্নরোইশিং এটেক্ট অদু থিংবদা ৱানা থোকখি।

শান্নবগী ৭৩ শুবা মিনিটতা মোহন বগানগী ষ্ট্রাইকর জে জে না ফিল্ডগী ওইবা থংবা সাইদতগী পুশিল্লকপা বোল অমা আইজোল এফ সি গী বোক্স মতোনদগী কাওশিন্দুনা ফাইনেল অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনখি।

শান্নবগী ৮২ শুবা মিনিটতা বিক্রমজিৎনা মরিশুবা পাঞ্জলদা চনখি। অদুগা শান্নবগী ৮৮ শুবা মিনটতা জে জে না মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা আইজোল এফ সি বু ৫-০ দা থোইদুনা মোহন বগান্না তাইতল লৌখ্রে।







